# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (Date: 07-10-2025)
## ---সিগনেচর ট্যুন---

**হৌচোংবা(এল)ঃ** ঙসি মেরাগী থানিল-পুর্ণিমা নুমিৎসিদা চিংবুরোই তম্বুরোইগী মরক্তা অমত্তা ওইবগী শক্তম উৎলিবা মেরা হৌচোংবগী থৌরম মহৌশাগী চৎনবী অমসুং হরাও তয়াম্বগা লোয়ননা পাঙথোক্লি।

ঙরাংদগী হৌনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা চিংগী খুল কয়াদগী লুচিংবশিং অমদি জগোই ঈশৈগী কাংলুপ য়াওনা মীওই কয়ানা ঙসিগী মেরা হৌচোংবগী থৌরম অসি য়াওনবগীদমক ইম্ফালগী সনা কোনুংদা লাক্কুনা, য়ারেক্কুনা থৌরম অসি য়াওননবা ঙায়নখি। ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা সনা কোনুংদা মেরা হৌচোংবগী ওইবা লাইনিং লাইশোলগী থৌরমশিং পাঙথোকখি।

মদুগী তুংদা, মনিপুরগী নিংথৌ মহারাজ সনাজাউবা লৈশেম্বনা খোঙমা লান্মী অমসুং চিংবুরোই তম্বুরোইগী মীওইশিংগা পুন্না মনিপুরগী অরিবা কোনুং অমসুং ঐতিহাসিক ওইরবা কংলাদা সনা খোঙলেংখি। নিংথৌনা কংলাদা য়ৌরবা মতুংদা লাইনিং লাইশোলগী ওইবা তঙাইফদবা থৌরমশিং-মেরা মেন তোংবা, মেরা থাউমৈ থানবা অমসুং মেরা য়েংখোঙ তম্বগী থৌরমশিং পাঙথোকখি।

কংলা উত্র শমাংদা পাঙথোকখিবা মপুং ওইবা থৌরমদা চীংবুরোই তম্বুরোইশিংগী মরক্তা অঙম্বা খুদোল তমদুনা নুংশি চান্নবগী মরী নৌহৌননা নীংশিংনখি। তুংদা চীংবুরোই তুম্বরোই পুন্না হৌ চোংদুনা জগোই ঈশৈগী থৌরমশিং পাঙথোকখি।

মেরা হৌ চোংবগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়-মেরা হৌ চোংবা হায়বসি কংলাদা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লম্বা ইবুধৌ নোংদা লাইরেন পাখংবগী মতমদগী হৌদোক্কুনা পাঙথোক্লম্বা, চীংমী তম্মীগী মরক্তা

নুংশি চান্নবগী অমত্তা ওইবা মরী উৎলিবা ফজরবা কুন্মৈ অমনি। মহাকা হায়-মালেমদা লৈরিবা হরাউ কুন্মৈশিং অসি মপুং ওইনা কাংলুপ ফুরুপ অমখক্তা য়ুম্ফম ওইদুনা পাঙথোকবনা অয়াম্বনি। অদুমওইনমক, মেরা হৌ চোংবা হায়রিবা কুন্মৈ অসিদি অককবা ফুরুপ অমখক্তা য়ুম্ফম ওইবা নত্তবা, তোঙান তোঙানবা কাংলুপ ফুরুপশিংনা পুন্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকমীন্নবা য়ামা ফজরবা কুন্মৈ অমনি।

মেরা হৌ চোংবগী থৌরম অদুদা সনা কোনুংগী ফমাইবশিং, অমাইবা-অমাইবীশিং, তোঙান তোঙানবা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী জগোই ঈশৈগী কাংবুশিং অমদি মশিং য়াম্লবা অরাম্বাই তেঙ্গোলগী থৌমীশিং শরুক য়াখি।

**হেলথ(এল)ঃ** দেঙ্গি লায়না শন্দোরক্লিবা অসি থিংননবা হকশেল বিভাগনা হোৎনরিবা অসিদা মীয়ামনা মতেং পাংবীনবা রাজ্যগী হেলথ সাভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডা: এন. হেমন্তকুমারনা আপিল তৌরি।

অকাশবানি ইম্ফালগা ঙসি অখন্ননা উন্নবা অমদা দাইরেক্তর-হেমন্তকুমারনা হায়-দেঙ্গি লায়নাবু থোকহল্লিবা মহিক অসি পুদুনা চৎপা এদিস কৌবা কাং মখল অসি য়ামা লাপা পাইবা ঙমদে। কাং অসিনা অয়ুক অমসুং নুংথিলগী মতমদনা মপুং ওইনা চিকল্লি। কাং অসিনা ইমুং মনুংদা লৈবা ফ্রিজ অমদি অপিকপা পত্রশিংদা তুংদুনা লৈবা অরুবা ঈশিংদা মরুম কোকশিল্লি। অসিগুম্বা কাং অসিগী মরুম কোকফমশিং তোইনা শেংদোক্তুনা মরুম কোকফম লৈহন্দ্রবদি কাং অসিনা শন্দোরক্লিবা দেঙ্গি লায়না অসি লাকশিনবা লায়গনি। করিগুম্বা কাং মরুম কোকফম অদু শেংদোকপদা খুদোংচাদবা লৈরগনা কেরোসিন অমদি থাউনচিংবা হৈজিল্লবদি কাং অসিনা মরুম কোকপা ঙমদে।

**মেলা (এল)ঃ** থা অসিগী ২০ ফাওবা চথুগদবা মেরা হৌ চোংবা ফেষ্টিব ফেয়ার (হটকারঘা মেলা) ঙসিদগী পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা হৌখ্রে।

দাইরেক্তোরেট ওফ হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইল মনিপুরনা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা মেলা অসিদা পুন্না ষ্টোল ৬০ হাংলি। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলগী দাইরেক্তর-এলাংবম জিতেননা হায়-মনিপুরগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৩০ দি ফিশা লোনশাগী থবক তৌরি। লমদম অসিগী ফিশাবীশিংনা পুথোক্লিবা পোৎথোকশিং অসি লমদম অসিদা শিজিন্নবা খক্কী নত্তনা রাজ্য অসিগী ৱাংমদসু থাদোক্তুনা ফিশাবীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহন্নবা হোৎনরি। শ্রী জিতেননা হায়-ফিশাবীশিংনা লমদম অসিদা শিজিন্নবা অমসুং মপানদা থাদোকখিনবা তোঙান তোঙানবা মওংদা ফি-শানবা হোৎনগদবনি। সরকারনসু ফিশাবীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহন্নবা থৌশিল থৌরাং কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলি। লাক্কদৌরিবা সঙাই ফেষ্টিবেলদা হেন্দলুম অমসুং হেন্দক্রাফটকী স্তোর ৩৫০ হেন্না হাংদোকবা পান্দম থল্লি।

**বিমোল (এল)ঃ** লোক সভাগী এম.পি. ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ঙসি খ্বাইরম্বন্দগী ইমা কৈথেলদা কম্ম্যুনিতি ৱাটর প্লান্ট অমা শঙ্গাখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা ডা: অকোইজমনা হায়-মায়ামনা ঈশিং থকবা হোৎনবদা প্লাষ্টিক বোটল শিজিন্নবদগী, প্লাষ্টিক বোটলগী পোলুসন অমা থোরক্লিবা অসিদগী কন্নবা হোৎনবদা খরদং ওইরবসু মতেং পাংননবগী পান্দমদা ৱাটর প্লান্ট অসি হাংদোকপনি। ঙসি হাংদোক্লিবা প্লান্ট অসিনা পুং অমদা ঈশিং লিটর লিশিং ১,১৪০ পীবা ঙম্মী। প্লাষ্টিক বোটল শিজিন্নবগী মহুৎতা মসিবু নীংথিনা শিজিন্নদুনা প্লাষ্টিক্কী পোলুসন হন্থহন্নবা হোৎনমীন্নসি হায়নসু এম.পিনা আপিল তৌখি।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ময়াংলবম রাজকুমার শরুক য়াখি।

**লোক্তাক (এল)ঃ** অৱাং নোংপোক লমদমগী খ্বাইদগী চাউবা থুমহি চেন্দবা

পাৎশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা লোক্তাক পাৎ য়োকখৎনবগী পান্দমদা ঙসি লোক্তাক নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোক্লি। চহি খুদিংগী মেরাগী পুর্ণিমা নুমিৎতা লোক্তাক নুমিৎ পালন অসি পাঙথোক্কুনা লাক্লি।

লোক্তাক লেক দেভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন থাঙ্গানা শিন্দুনা ৩৬ শুবা লোক্তাক ডেগী পালন থৌরম থাঙ্গা পার্ট ৱানগী লোক্তাক লাইরেম্বী লম্পাক্তা পাঙথোক্লি।

সেন্ত্রর ফোর রিজ্বিনেসন ওফ লোক্তাক লেক, ৱাতরসেট এন্দ ৱেটলেন্দ মোইরাংনা শিন্দুনা অহানবা লোক্তাক ডেগী পালন থৌরম মোইরাংগী ওন্বা নুরাথেল রোদতা পাঙথোক্লি। পালন থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা লোক্তাক পাৎতা ঙা মচা থাদবা, লোক্তাক রন অমদি হিয়াং তান্নবনচিংবা পাঙথোকখি।

ময়াং ইম্ফাল কেন্দ্রগী এম.এল.এ. কোংখাম রোবিন্দ্রোগী মীৎয়েং মখাদা লোক্তাক নুমিৎ পালন থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি কোমলাখোং চিংথিদা লৈবা লোক্তাক লাইরেম্বীদা মীয়ামনা হৈকৎ লৈকৎ তমখি।

**ফালকোল(এল)ঃ** তমেংলোংগী মীয়ামনা তামুৱানপুই নৎত্রগা অখুৱাইপুইনা হায়না খঙনবা অমর ফলকোন, তমেংলোং জিলাদা ঙসিদগী পাইরকপা হৌরে।

ঐখোয়গী তমেংলোং পাউমী-রিংবম কামৈনা হায়-লমকোই উচেক অসি কুমজা ২০১৫ দগী হৌনা তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজন, মফম অদুগী এন.জি.ওশিং, খুল অমসুং ক্লবকী থৌমীশিংনা কন্না হোৎনদুনা ঙাক শেনবগী থবক চথ্বরক্লি। মালেমগী লৈবাক কয়া ফাওদুনা মতম মতমগী ওইনা পাইদুনা চৎলিবা উচেক অসিগীদমক তমেংলোং জিলাবু মালেমগী মীয়ামনা খঙনবা হেনগৎলক্লি। কুমশি চহিগী ওইনসু ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং ৱাইল্ড লাইফ ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়ানা পুন্না থৌদাং লৌদুনা অমর ফলকোন অহুমদা সেটিলাইট ত্রান্সমিটরশিং হাপ্পুনা মখা তানা থিজিন্নবা থবক পায়খৎকনি হায়রি।

**ৰিক(এল)ঃ** ৭১ শুবা লমলক্কী শা-উচেক কনবগী চয়োল পালনগা মরী লৈননা হ্যুমেন-এনিমেল কো-এগজিসটেন্স হায়বা ৱাখল্লোনদা সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন অমসুং বিরমঙ্গোল কলেজ শওন্মুংগী ইনভাইরোনমেন্টেল সেলনা পুন্না শিনদুনা ঙসি কলেজ অসিদা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি.এফ.ও. বিক্রম সুরেস নাদে অমসুং বিরমঙ্গোল কলেজগী প্রিন্সিপাল-ডা: এ. জিবনলাতা য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

অমরোমদা, চান্দেল জিলাগী চকপিকারোং হায়স্কুলদসু ঙসি ৭১ শুবা লমলক্কী শা-উচেক কনবগী চয়োল পালন পাঙথোকখ্রে। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা উ চারাশিং থাখি অমদি মহৈরোইশিংগী রেল্লি অমসু পাঙথোকখি।

**আইটি(এল)ঃ** সেবা ত্রিদিসন ওফ ইন্দিয়া ভারত্তিয়া সেবা পরমপারা-এ নোর্থ ইষ্ট প্রাসপেক্টিব হায়বা হীরমদা নুমিৎ নিনি চখ্থগদবা মলেম থাক্কী সেমিনার অমা ঙসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী কোর্ট হোলদা হৌদোকখে।

কলেজ দিবলপমেন্ট কাউন্সিল মনিপুর য়ুনিভরসিতি, সেবা ভারত্তি পুরবাচননা, সেবা ভারত্তি মনিপুর অমসুং মনিপুর সেবা সমিতিগা খুৎশমদুনা সেমিনার অসি পাংথোকপনি।

**মীফম(এল)ঃ** ৯৬ শুবা মেরা থাবুম মীফম নুমিৎ নিনি চুপা ইম্ফাল ইষ্টকী পুংদোংবম অৱাং লৈকাইদা লৈবা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা মনিপুরগী ৱাংমদগী য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়রি-ঙাকশেলগী লমদা ভারত অসি মীপাল তাংদবগী মায়কৈদা খোংজেল য়াংনা চংশিল্লি।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি রক্ষা নবচার সম্বাদতা ৱা ঙাংবদা শ্রী রাজনাথনা হায়-সরকার অসিনা অওনবা মতমগা লোয়ননা হৌজিক ওইরিবা লাল্লোংগী থৌওং অসি মপুং ফানা খণ্ডজিল্লি। মহাকা হায়-ঙসিদি লানফম কয়াদা টেকোলোজি শিজিন্নবগী চাং হেনগৎলক্লি। হৌখিবা চহি তরা অসিদা সরকারনা অত্মা নিরভর ভারতকী মখাদা থৌশিল থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা ঙাকশেলগী খুৎশু খুৎলায় কয়া লৈবাক অসিদা দিজাইন্দ তৌদুনা পুথোকপরোমদা অকনবা মীৎয়েং চংলি।

**সিতরামনঃ** কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা হায়রি-দাইরেক্ট বিনিফিট ত্রান্সফর শিজিন্নদুনা সরকারনা লুপা কোতি লাখ ৪ লিশিং ৩১ কনবা ঙমলে।

মুম্বাইদা পাঙথোকপা গ্লোবেল ফিনটেক ফেষ্টিবেলদা শেল থুম মন্ত্রিনা ফোরেন করেন্সি সেট্টলমেন্ট সিষ্টেমসু হৌদোকখি। শ্রীমতি সিতারামননা হায়-সিষ্টেম অসিনা গিফ সিটি মনুংদা অককবা মতমগী মনুংদা ফোরেন করেন্সি ত্রান্সজেক্সনশিং লোয়শিনবা ঙমহনগনি। মসিগা লোয়ননা ভারত অসি অসিগুন্বা সেটলমেন্ট সিষ্টেম লৈবা হোং-কোং, টোকিও অমসুং মনিলাগী থাক য়ৌবা ঙমলে।

**জদোঃ** মনিপুরগী জদোকা-লিম্থোই চনম্বমনা পেরুগী লিমাদা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড জনিয়ারগী কিলোগ্রাম ৬৩ গী কাংলুপ্তা জদো চেম্পিয়নসিপ্তা শেঞ্জেংগী তকমান লৌরে।

চেম্পিয়নসিপ অসিগী রিপেচেস রাউন্দদা নিদরলেন্দগী জোনি গৈলেনবু মায়থিবা পীদুনা ভারতকী অমত্তা ঙায়রবা শেঞ্জেংগী তকমান অদু লৌবা ঙমখিবনি।

রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা অমদি হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা লিম্থোই চনম্বমনা তকমান অসি লৌরকপদা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

**যোগাঃ** করনাতক্কাগী মহিশুরদা পাঙথোক্কদবা ৫০ শুবা সেনিয়ার যোগ স্পোর্টস চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা শরুক য়াননবা মনিপুর ষ্টেট যোগ এসোসিয়েসনগী শান্নরোই অমদি ওফিসিএলগী পুন্না মীওই তরানা শাবা টিম অমা ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে। যোগ ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা শিনবা চেম্পিয়নসিপ অসি থা অসিগী ৯ দগী ১২ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

**ফূটবোলঃ** ককচিং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ২২ শুবা লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস.ডব্লিয়ু.সি. কৈরকনা কে.এম.এস.ডব্লিয়ু.সি. কৈরক মুস্লিমবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

**ফূটবোলঃ** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা চথরিবা অহুমশুবা প্রিমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন অমসুং ময়াং ইম্ফাল য়ুনাইটেদ এফ.সি. পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা, এ.এস.য়ু.এফ.আই.আই-এফ.এ অমসুং ক্ষেতি ইরিল মপান য়ুথ ক্লব পাঞ্জল অমমম চন্দুনা দ্রো চৎখ্রে।